# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ হৈবী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ






*হৈবী* পাম্বী অসি মীওইবদা কয়া য়াম্না কান্নবা পীবগে হায়বসি অয়াম্বা মীওইশিংনা থোইনা লুনা খনজিল্লমদবা য়াই অদুবু পাম্বী অসিদি মীওইবদা য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইনা কান্নবা পীরি। ঐখোয়গী মণিপুরদদি হৈবী পাম্বী অসিগী থোইদোকপা মফম অমা কল্লি হায়বদা থোইদোক্না লাল্লরোই। হৈবী পাম্বী অসি হিন্দিদা মুইনা (Muyna) নৎত্রগা পুন্দ্রিকা (Pundrika), আসামীজদা কুতকুরা (Kutkura) নৎত্রগা মোইন (Moin), বেঙ্গোলিদা মুদুনা (Muduna), মারাথীদা হুলু (Huloo) নৎত্রগা অলু (Alu), টামিলদা মানাকারাই (Manakkarai), তেলেগুদা ভিশিকিলামু (Visikilamu), ওরিয়াদা গুর্বেলি (Gurbeli), উর্দুদা মেইন (Main), সংস্কৃততা পিন্দিতুকা (Pindituka) নৎত্রগা পিন্দু (Pindu), সাইনি টফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *মেনা লেক্সিফ্লোরা (Meyna laxiflora Robyns)* নৎত্রগা *ভেঙ্গুইরিয়া ইসপিনোসা (Vanguirea spinosa Roxb)* হায়না কৌই অমসুং কোফী পাম্বীগী শাগৈ হায়বদি রুবিয়েসী (Rubiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি।

য়াম্না নৌবা পাউদম অমগী মতুংইন্না হৈবী পাম্বী অসি মখল ১১ রোম লৈ অমসুং মসিগী মনুংদা মখল ২ হায়বদি Meyna laxiflora অমসুং M. spinasa অসি ইন্দিয়াদা হৌই। অখণ্ড অহে খরগী মতুংইন্নদি হায়রিবা পাম্বী অনী অসি পাম্বী হায়বদি Species অমখক্তনি হায়না পীরি অদুবু মখল অনী অসিগী লৈ অসিদি খেন্নবা অদুমক লৈরি। হৈবী পাম্বী অসি ত্রোপিকেল অমসুং সব ত্রোপিকেলগী ওইবা মফমশিংদা মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা হৈবী পাম্বী হৌবা মরুওইবা মফমশিংদি মণিপুর, মেঘালায়া, আসাম, বেঙ্গোল, কোনকান, দেকানগী লমদমশিং অসিনি। পাম্বী অসিগী মশা অয়াম্বদা অশাংবা অমদি য়াম্না তুম্বা তিংখংশিং পাল্লি। পাম্বী অসি দেসিদুৱস হায়বদি চহী অমগী মনুংদা মতম খরদি মনা কেনগল্লি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না হৈবী পাম্বীগী মনাদা কার্বোহাইদ্রেট, প্রোটিন, টেনিন অমসুং এলকালোইদশিং চাং ৱাংনা য়াওই। পাম্বী অসিগী মহৈদা নাইত্রোজেন, ফোসফোরস, কেলসিয়ম, পোটাসিয়ম, মেগনেসিয়ম, জিঙ্ক, কোপ্পর অমসুং সোদিয়ম য়াওবগী পাউদমশিং লৈ। অমুনবা মহৈদা ফিনোলিক কম্পাউন্দ অমসুং তেনিনশিংসু য়াওই।

Pawara, Bhil, Tadavi অমসুং Vanjara ত্রাইবশিংনা হৈবী মনা অসি চিঙ্গাক ওইনা চাই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হৈবী মনা অসি শীংজুগী য়াম্না হাওবা মচল অমা ওইনা হাপনৈ অমসুং হৈবী মনাগী শীংজু হায়না মমিং চৎলি। হৈবী মনা অসি চেঙহী লোনবদা মরুওইবা মচল অমা ওইনসু হাপ্নে। মহারাষ্ট্রগী ৱেষ্টর্ন ঘাটকী লমদমশিংদা খুন্দাবা ত্রাইবেলশিংনা হৈবীগী অনৌবা মহৈ অদু এঙ্গাং থোংদুনা চানৈ। মেঘালায়াগী মীওইশিংনসু হৈবী মহৈ অসি পাম্না চানৈ অমসুং করিগুম্বা কান্দা য়ু শুংবদসু মচল অমা ওইনা হাপনৈ।

হৈবী পাম্বী অসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং থোইদোক্না শীংথানিংঙাই ওইনা য়াওই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হৈবী পাম্বীগী মনা অমসুং অমুনবা মহৈ অসি দাইবেটিস ফৈ হায়দুনা শীজিন্নবা থেংনৈ। মহারাষ্ট্রগী ত্রাইবেলশিংনা হৈবী মহৈদু শোইরগা কংহল্লগা পীজদুনা খোঙ হামথবা অসি লায়েংনৈ। ঈশিংদা লোল্লগা মহী অদুসু পীথকই। হৈবী মহৈগী মহী অসি উনশাগী লায়না খরসু ফহনবা ঙম্মী।

হৈবীগী মরু অদু ময়াই কাবা চিঙ্গাক (Narcotic) ওইনা মহারাষ্ট্রগী ত্রাইবেলশিংনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। খা ভারত্তদি হৈবী পাম্বীগী মরু অদু কূপ্না তকখায়রগা পাউদর অদু লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা পুং ২-৩ লোম তীংদুনা লৌবা মহী অদু দোংমদা গ্লাস ২ রোমগী চাংদা পীথক্তুনা কিদনিদা নূং লৈবা অদু লায়েংনৈ। মহারাষ্ট্রগী ত্রাইবেল কাঙলুপ খরনা হৈবী অনৌবা মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা অনঙবা মহী অদু তৈদুনা পুক শৌগৎপা, খোয়খা নাবদা লায়েংনৈ। মহারাষ্ট্রগী নাশিক দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিংনা হৈবী মনা অদু য়ুবী থাউগা শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু ঙৌদা চাং নাইনা নোংমদা ৩-৪ রক তৈদুনা গোইটর হায়রিবা ঙৌবোম্বীগী লায়না অসি লায়েংবগী পাউদম লৈ। আসামগী তিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্টকী ত্রাইবেলশিংনা হৈবী মরু অদু তকখায়রগা ঈশিংদা থিত্তুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা অঙাং য়ৈথবা (এবোর্সন) অসি কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না শারবা অমদি নারবদি হৈবী পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা ঈশিংদা তীংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। মণিপুরগী চোথে ত্রাইবশিংনা হৈবী মনা অসি চাং নাইনা চারবদি মীওইবগী ঈ অসি শেংদোকহল্লি হায়না চাবগী পাউদমসু লৈ। হৈবী মনা অসি Staphylococcus aurens, Escherichia coli, Klebsiella pneumonia অমসুং Pseudomonas aeruginosa বেক্টিরিয়াশিং ঙাকথোকপগী বিজ্ঞানগী পাউদমসু লৈ।

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### চেকশিনসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মী* মশীংনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা, অমরোমদনা লমগী পাক চাউবদি হেনগৎপা লৈতবা, মসিনা মরম ওইদুনা লৈফম চিন্নরকপদগী খোংবান লুকপান ফুনজিন্নরকপদগী হেন্দোক্তুনা য়ুমলোন কৈরোন্নবগী লম খোপচিন্দুনা দখল তৌশিনবা য়াওনরক্তুনা খৎন-চৈনবা থোক্লকপা তারি, উরি। লমগী মরী লৈনবা লোইশঙদা ৱাকৎলবসু শক-মায় য়েংদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংদবদগী মখা তানা কোর্ট (ৱায়েলশঙ) দা কেস থেংনবা অসুম্না কেস থেংনরকপনা মপা হাক্তক্তগী মচা হাক্তক ফাওবা লোইবা নাইদবনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না থাজবা ৱাৎনরকপা কয়া উনা, খঙনা তানরি।

অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লিবসি লৈঙাক্কী লমগা মরী লৈনবা লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবশিংগী খুদোলনি হায়না মীয়াম্না ঙাঙনৈ। হন্দক্তা চৎখিবা মার্চকী তাং ১৯ দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা খন্ন নৈনবা অমা তারুবদা খঙলকই মদুদি লৈশেম-খুন্থোকঙৈদগী লৈরক্লবা কংলৈ খুন্নাইগী মাঙফদ্রবা লাইফম, খুরাই অহোংপুঙ ফাওবা মীতোপ মীয়ানচাদা পট্টা পীদুনা খোপচিন্দুনা লৈখিবদা য়েংদুনা লৈবা ঙম্বা, অমরোমদনা ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা লাইফম অসিবু কন্নবগী থৌদাং লৌনীংদ্রবা, ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা খুভম অসিবু কন্ননবা চোকথবা নাইদনা শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লদুনা ৱায়েলশঙদা কেস চত্থবদা চহী ১২ হেল্লবফাওবা লোইদ্রিবা, ময়াম অসি তারবা, খঙলবনিনা ঐখোয় চেকশিঞ্জবা তঙাইফদ্রে।

ইশা-ইশাগী ইস্কোলগী পাক চাউবা কুমজা ১৯৬০ গী মেপ অমদি লমগী রেকোর্দকী মতুংইন্না খঙদোকপীয়ু। লম ওনবা মতমদা সেট্টলমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়োৎলি পুরক্লবদি য়োৎলি (চ্যেন) অদু মতেক ১০০ না শাগনি। মতেক অমমম্তু লিঙ্ক হায়না খঙনৈ। লিঙ্ক অমগী অশাংবা ইঞ্চি ৭.৯২ নি। চ্যেন মপূম অমগী অশাংবনা ফীট ৬৬ নি। কুমজা ১৯৬০ গী মেপকী মতুংদা য়েকপা মেপ পুরক্লবদি অনী অদুগী খেন্নবা করি লৈবগে খঙদোকপীয়ু। ৱাকৎপা মতুংদা য়েকপা মেপ পুরক্লবদি অনী অদুগী খেন্নবা করি লৈবগে খঙদোকপীয়ু। ৱাকৎপদা মতম অমদি শেল চঙবদগী কঞ্জনবা ইশাগী ইস্কোলগী ঙমখৈ শম্বল হান্না খাবীয়ু, য়ুম কোন্না শাবীয়ু।


*অদোমগী - লাইশ্রম বিরজিৎ সিংহ, কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়*

### মরোল থোকপা লাই




## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### চাংদম্নিঙাই লৈত্রবা লীকাপ্পা

কাশী নিংথৌ ব্রহ্মদত্ত'ই মচা নুপা ওইদুনা,
পোকখি বোধিসত্বনা 'য়ুবরাজ অথোইবা' কৌদুনা।
মানা চৎপা হৈরকপা মনাউ অমা পোকপনি;
মনাউ-দুগী মমিংনা ব্রহ্মদত্ত কৌবনি।
বোধিসত্ব অথোইবা গুণ খিবিক্না লৈতেংবা,
টক্ষশীলাদা চত্তুনা তমখি মহৈ চঙখোনবা।
লীকাপ্পদা বোধিসত্ব চাংদম্নিঙাই লৈখিদে;
য়ূমদা হল্লক্লবদা নিংথৌ ওইবা পামখিদে।
মরম'দুনা মপানা শিরমদাইগী মতমদা,
পীখি নিংথৌ খুবম্থু ব্রহ্মদত্ত মনাউদা।
নোংমা মনাউ নিংথৌদা কনাগুম্বা খরনা,
"নয়াম্বনা নিংথৌবু ওইনীংবনি," হায়দুনা,
নত্ত-ওইদ' মপাউবু লোন্না চীক্না তম্লমখি;
'দুনা ময়াম্বা ফানবা পোরম-পোমীৎ শীল্লমখি।
পাউনিংখোনসি তাবদা বোধিসত্ব অথোইবা,
মরৈবাকপু থাদোক্লম য়ৌখি লৈবাক অতোপ্পা।
লৈবাক্তুগী নিংথৌনা লীকাপ্পা ওইনা মহাকপু;
থবক অমা হাপ্পীখি তলব য়াম্না পীনবু।
মসি উবা-মক্তদা অতৈ লীকাপ্পা ময়াম্না,
কল্লক-কঞ্জাউনরকখি 'হাকমল্লী'বু হায়দুনা।
নোংমা অসুম নিংথৌদো হৈকোন্দবু লাকপদা,
হৈনৌ চরোং মুল্লম্বা উখি উথক অমদা।
কাহনবসু ৱাংমল্লি করি তৌনি খল্লম্মী;
লীকাপ্পা ময়াম কৌরগা 'হৈনৌ ককউ' হায়রম্মী।
ময়াম্নবু হায়জখি, "নৌনা লাকপা লীকাপ্পা,
মাগী চাংবু য়েংবিয়ু, "য়াখি নিংথৌ হায়জবা।
কৌখি বোধিসত্ববু তেন্না হৈনৌ হেক্লবা;
লৌশিংবনা য়াখরে উৎকে খনখি অহৈবা।
ফীজঙ, অমা খল্লগা মফি-মরোল হোংদোক্লে;
কোক্তা কোয়েৎ য়েৎশিল্লে ফিঙাং অমা শেৎচিল্লে?
খ্বাঙদা খ্বাঙলাক লাকশিল্লে থাঙ অমা য়ানশিল্লে;
ফিথক-ফুরীৎ-শাইগকপা মথক্তবু লীৎশিল্লে।
ফীজঙ তপ্না হাইদোক্ল' থোরকপবু করিনো!
নাগ নিংথৌ পাঙ্খক্লি অৱাৎপবু কৈদনো!
নিংথৌদবু খুরুমজ লোনচৎ-শাজৎ ফজনা,
"হৈ-'কক করম ককচৌগে?" হংজখিদা নোঞ্জনা।
নিংথৌনবু তাকপিরে মহৈ য়েংগে হায়দুনা,
"তেন্না হাইথরক্লগা ককউ হৈনৌ," অসুম্না;
'দুদৈ হেনবা তৌখরে চাংদম্নিঙাই লৈত্রবা।
কাপখৎখিবা তেন্দুনা শাফুবুদি কল্লবা,
থারম্লগা মখোক্তা ৱাংনা-শান্না পাইখৎখি;
'তিয়া লৈরোল মরিবু মীৎনা কুপ্তা ফাওদোকখি।
মদু'ই মখোল মক্তনা ভাবুকশিংদু নীকপনি;
নোংমৈ শীংজঙ তারকপা অদুগবু পাঙ্খক্লি।
শরক্তুদা লীকাপ্পা তেনবু অমা কাপখৎখি;
কেল্লক্লবা হৈনৌদো লম্মখাঙদা ওকচখি।
হাইথরকপা ৱাংলেন্দা তেনসু হৈসু অনীবু
মখূৎ-নীনা 'মমম-ওকা তাহন্দনা লৈবাকপু,
হৈনৌ অদু লীকাপ্পা মনীংথৌদা কৎচখি।
মহৈ অসি উবদা ময়াম পূম্বা ঙক্লখি;
মনা মথুম কয়ানি লীকাপ্পনা ফংখিবা;
তরেৎ-শেঞ্জা লক্ষানি ময়াম্নবু থাখিবা।
অসুম তৌনা লমদুদা লৈরিঙৈগী মতমদা,
নিংথৌ তরেৎনা লান্দাখি মনাউ নুপা'ই লৈবাক্তা।
মনাউ নিংথৌ অদুনা ময়াম্ববু থিরক্লে;
লান্দারকপ'ঈ ৱাফম্থু ময়াম্বদা খঙহল্লে।
ময়াম্বনা হায়রকই, "করিমত্তা কিরুনু;
ইয়াম্বনা লৈরিঙৈ ইনাউ শিনি খল্লুনু।"
ৱাফম অসি হায়রগা চিঠী অমা ইদুনা
নিংথৌ তরেৎ অদুদা থাখি বোধিসত্বনা
তেন অমা কাপ্তুনা চিঠী অদু থাবদা,
নিংথৌ তরেৎ পূন্না চাবা সনা'ই পুখম ময়ায়দা,
চিঠী পুবা তেন অদু 'তক' লাউনা য়ুংলমখি;
চিঠী মরোল তাবদা নিংথৌশিংদু কিরমখি।
থুনা য়াঙনা মখোয়দো মফমদুদ'ই চেনখরে;
মনাউ নুপা নিংথৌদো অকি তুজুং কোকখরে।
বোধিসত্ব থোইথোইবা মিহৌ লাংবু থাদোক্লম,
য়াইফ থবক তৌদুনা ফংখি ঈশ্বর-মরমদম।